## ব্রাই দি ও হৈনৌ খোংনেম্বীনা ব্রাই দব্লিউ সি মালোম্বু থোইখ্রে, এন সি ক্লব অমসুং এম পি এস সি দ্রো চংখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ২৬ঃ*

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা অৱাং সেকমাইদা লৈবা এস কে ব্রাই সি গী শান্নবুংদা শান্নরিবা ১৮শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ব্রাই দি ও হৈনৌ খোংনেম্বী কোঞ্জেং লৈকায়না ব্রাই দব্লিউ সি মালোম্বু পাঞ্জল ৪–২দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা মেটচতা এন সি ক্লব খোংহাম্পাৎ অমসুং এম পি এস সি ফার্ষ্ট এম আর পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চংখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী অৱাং সেকমাইদা লৈবা এস কে ব্রাই সি গী শান্নবুংদা ঙসিদগী হৌখিবা ১৮শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেটচতা ব্রাই দব্লিউ সি মালোম অমসুং ব্রাই দি ও হৈনৌ খোংনেম্বী লম্বা তৌনবদা ব্রাই দি ও হৈনৌ খোংনেম্বীনা ব্রাই দিব্লিউ সি মালোম্বু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

টিম অনীগী মেটচ অদুদা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৩ চন্নখি। মদুদা অহানবা পাঞ্জল অদু ব্রাই দি ও গী জয়কিষন্না ১৭শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ব্রাই দব্লিউ সি মালোমগী মাইকৈদগী রিজয়সন্না ২২শুবা মিনটতা ইক্যুলাইজর অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ১০ ৱাংলিঙৈদা ব্রাই দি ও গী এন ওলেন্না ৩৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ হাপচিল্লগা ব্রাই দব্লিউ সি বু পাঞ্জল ২–১দা মাংজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা ব্রাই দি ও গী কর্নবির মৈতৈনা পাঞ্জল ১ হাপচিল্লগা ব্রাই দব্লিউ সি বু ৩–১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মিনট ৭ লৈরগা কর্নবিরনা মখা তাদুনা ব্রাই দি ওগী মাইকৈদগী পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা ব্রাই দব্লিউ সি বু পাঞ্জল ৪–১দা মাংজিল থাখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ১৯ ৱাংলিঙৈদা ব্রাই দব্লিউ সি গী মাইকৈদগী এল রাকেসনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা শোৎথখিবা পাঞ্জল অহুমগী মনুংদা অমা হন্দাকপা ঙমখি। অদুবু মেটচ অদু লোইশিল্লকপদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী ব্রাই দি ও হৈনৌ খুনেম্ববীনা ব্রাই দব্লিউ সি মালোম্বু ৪–২দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচতা এন সি ক্লব খোংহাম্পাৎ অমসুং এম পি এস সি ফার্ষ্ট এম আরগা শান্নবদা পাঞ্জল ১–১ চন্নদুনা দ্রো চংখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা এন সি ক্লব খোংহাম্পাৎকী ঐচ দয়ান্দনা চনবা ঙমখিবনি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা ১৮শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ৬শুবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ৮ চঙশিল্লকপদা এম পি এস সি (মণিপুর পুলিস স্পোর্টিং ক্লব) ফার্ষ্ট এম আরগী মাইকৈদগী শান্নরোই এন মালেমঙান্বনা ইক্যুলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু ১–১দা লৈনখি।

মেটচ অদুগী মখাতাবা মতমশিংদা টিম অনিগী মাইকৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী পাঞ্জল ১–১ চান্নদুনা মেটচ অদু দ্রো চংখি।

১৮শুবা এস বিরেন্দ্র মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭গী হয়েং মেটচ লৈরোই। থা অসিগী ২৮দা সি ঐচ আই কে এল লিল্লোং চজিং অমসুং ব্রাই দি ও হৈনৌ খোংনেম্বী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দদা বি এম এস সি তৌবুংখোক অমসুং এম পি এস সি ফার্ষ্ট এম আর গা শান্নরগনি।

## কপাম কপ ফুটবোলদা চেংখু এফ সি অমসুং কিঙস ১১ মায় পাকখ্রে

*চান্দেল, জুন ২৬ঃ*

চান্দেলদা চংথরিবা অহানবা কপাম দিভলপমেন্ট ক্লব ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা চেংখু ফুটবোল ক্লব অমসুং কিঙস ১১ ফুটবোল ক্লব মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী নুংথিলগী পুং ১.২০দা শান্নখিবা হৌখিবা মেটচতা চেংখু ফুটবোল ক্লব অমসুং সাংনে ফুটবোল ক্লব লম্বা তৌনবদা চেংখু ফুটবোল ক্লবনা পাঞ্জল ২–১দা থোইখি।

মেটচ অদুগী শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ চেংখু ফুটবোল ক্লবকী জর্সি নম্বর ১৬ এস এন জি অনকেসনা ৬শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

মেটচ অদুগী মখা তারকপা মিনট ৫ লৈরগা সাংনে ফুটবোল ক্লবকী মাইকৈদগী টি ঐচ বেনিংজয়না মেটচকী ১১শুবা মিনটতা ইক্যুলাইজ অদু চন্দুনা মেটচ অদুদা চেংখু ফুটবোল ক্লব অমসুং সাংনে ফুটবো ক্লব পাঞ্জল অমমম চন্নরগা লৈখি।

মেটচকী অহানবা হাল্ফকী তংখায় চন্দ্রিঙৈ শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা চেংখু ফুটবোল ক্লবকী মাইকৈদগী পুশিল্লকপা এটেক্ট অদুগী শান্নরোই মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা এস এন জি অনকেসনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা সাংনে ফুটবোল ক্লবপু চেংখু ফুটবোল ক্লবনা পাঞ্জল ২–১দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌরিবা পুংখায় অমরোমগী মতমদা টিম অনীমক্কী মাইকৈদগী মখা তানা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকখি।

অনীশুবা হাল্ফ অদুগী মিনট ৪৫গী মতম অদুদা পাঞ্জল অমা শোৎথখিবা সাংনে ফুটবোল ক্লবনা মখাতানা ইক্যুলাইজর অমা চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু চেংখু ফুটবোল ক্লবকী দিফেন্দরশিংনা ফজনা শান্নখিবা মতমদা ইক্যুলাইজর অদু ফঙহনদনা মেটচ অদু মখোয়না সাংনে ফুটবোল ক্লবপু ২–১দা থোইখি।

কপাম কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা কিঙস ১১ অমসুং এ ব্রাই সি সি শান্নবদা কিঙস ১১না পাঞ্জল ৩–১দা থোইখি। হায়রিবা মেটচ অদুগী পাঞ্জল ৪মক অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা ঙাক্তনি।

চান্দেলগী কপাম ফুটবোল গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা কপাম ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা মেটচতা কিঙস ১১ অমসুং এ ব্রাই সি সি অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনট ৩ চঙশিল্লকপা এ ব্রাই সি সি গী দি অঙপোলনা পাঞ্জল ১চন্দুনা মাংজিল থাখি। মখাতারকপা মেটচ অদুগী ৬৯শুবা মিনটতা কিঙস ১১গী মাইকৈদগী জেনিটনা ইক্যুলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু ফজহনখি।

শান্নবগী ৭৬শুবা মিটতা কিঙস ১১গী মাইকৈদগী বেলোংনা মেটচ অদুগী ৩শুবা অদুগা টিম অদুগী ওইনা ২শুবা পাঞ্জলদা চল্লগা এ ব্রাই সি সি বু পাঞ্জল ২–১দা মাংজিল থাদুনা চংখি।

শান্নবগী মিনট ৯০ মপুং ফারকপা মপুং ফাওবদা কিঙস ১১না এ ব্রাই সি সি বু পাঞ্জল ২–১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। অদুবু ইনজুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা কিঙস ১১গী বেলোংনা মেটচ অদুদা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা কপাম দিভলপমেন্ট কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ৫শুবা মেটচতা কিঙস ১১না এ ব্রাই সি সি পাঞ্জল ৩–১দা থোইবা ঙমখি।

মেটচ অদুদা এ ব্রাই সি সি গী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১১ ইনাও শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা ফাউল তৌরুবগীদমক রেফরি কোকোনা য়েল্লো কার্দ পীখি।

## দি এস এ বিষ্ণুপুরনা দি এফ এ থৌবালবু ৬–৩দা থোইখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ২৬ঃ*

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দদা চংথরিবা ২১শুবা সব–জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন মণিপুরনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন থৌবালবু পাঞ্জল ৬–৩দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি অহানবা হাল্ফতা থৌবালনা বিষ্ণুপুরবু পাঞ্জল ২–১দা মাংজিল থাখি। অদুবু অনীশুবা হাল্ফতা বিষ্ণুপুরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৫ চনখিবা অদুগা থৌবালনা পাঞ্জল ১খক চনখিবগী মেটচ অদু বিষ্ণুপুরনা ৬–৩দা থোইখিবনি।

বিষ্ণুপুরগী মাইকৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোইশিং অদুদি হেটট্রিক ফঙখিবা এম জেটলি, অবিনাস, অজেন্দ্র অমসুং মালেমঙান্বানি। অমরোমদা থৌবালগী মাইকৈদগী লেনিল অমসুং পাঞ্জল ২চনখিবা ষ্টালজিৎনি।

## ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্টতা শান্নরোই ১২ পোইন্ট ২ ফঙদুনা মাংজিল থামিন্নরি

*ইম্ফাল, জুন ২৬ঃ*

মণিপুর চেছ এসোসিয়েসনগী লমজিং মখাদা ২শুবা খুরাইজম রামনরায়ন শাস্ত্রি মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসি শগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা জুবেনাইল ক্লবতা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ ২৭তা পুন্না শান্নরোই ১২না পোইন্ট ২।২ ফংমিন্নরগা মাংজিল থাদুনা চংমিন্নরি।



ঙসি অহানবা টেবলদা কে ঐচ সঞ্জয়না টি মনিকান্তবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ২ ফংখিবনি। অনীশুবা টেবলদা এস প্রেমজিৎনা এম দেরেন্দ্রোবু মায়থিবা পীদুনা মহাকসু পোইন্ট ২ ফঙখি। অহুমশুবদা এ চক্রিতোম্বীনা এন পারিবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ২ ফঙখি।

টেবল নম্বর ৪দা ঐচ জেকিনা এস রোনাল্ডোবু মায়থিবা পীরগা পোইন্ট ২ ফঙখি। টেবল নম্বর ৫তা এ বিনিটনা এ সোমোরেন্দ্রোবু থোইদুনা মমাংগী রাউন্দদা ফঙখিবা পোইন্ট অদুগা থাজিলগা পোইন্ট ২ শুখি। ৬শুবা টেবলদা ও নিংথেম অমসুং ঐচ মনিতোন দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নবদগী পোইন্ট ১.৫।১.৫ ফঙদুনা লৈরি।

টেবল নম্বর ৭দা ই সসিকান্তনা এম পিশকপু থোইদুনা পোইন্ট ২ ফঙখি।

টেবল নম্বর ৮তা ব্রাই প্রিতম্না এ ফোলেনবু মায়থিবা পীখি। অদুগা টেবল নম্বর ৯দা কে ঐচ পেমচন্দ্রনা কে ঐচ মেরাজাওবু থোইরগা পোইন্ট ২ ফঙখি।

টেবল নম্বর ১০দা কে কুঞ্জবিহারিনা এস ধনচন্দ্রবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ২ য়ৌবা ঙমখি।

টেবল নম্বর ১১দা ঐচ ইবোচৌনা সি ঐচ মহেসকুমারবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ২ য়ৌখি।

টেবল ১২তা কে সবেসোন্না বিট ইরোম্বু মায়থিবা পীরগা রাউন্দ অনীদা পোইন্ট ২ ফঙখি।

টেবল নম্বর ১৩দা ঐচ সোমোকান্তনা এম সঞ্জিৎপু মায়থিবা পীরগা পোইন্ট ২ ফঙবা ঙম্বা শান্নরোই ১২গী মনুং চনখি।

মখাতাবা টেবল ১৪দা মায় পাকপা অমদি দ্রো চৎখিবা শান্নরোইশিং য়াওরগা ঙসি অনীশুবা রাউন্দগী শান্নবা লোইশিনখি। হয়েং অহুমশুবা রাউন্দ অয়ুক্কী পুং ৭তগী হৌগনি হায়রি।


## URGENT STAFF REQUIRED

| | | |
|---|---|---|
| POST | : | GRAPHIC DESIGNER |
| NO.OF POST | : | 1 |
| ELIGIBILITY | : | WELL EXPERIENCE IN PHOTOSHOP, ALSO EXPERT IN TYPING HINDI, BENGALI & MEITEI MAYEK SCRIPT |
| SALARY | : | NEGOTIABLE |
| INTERVIEW | : | 11.00 am 3rd JULY 2017 |
| OFFICE ADDRESS | : | RD Grafix, Sagolband Nepra Menjor Leikai, Imphal |

Interested Candidates may contact for details at 7085056257 or send resume to rdgrafix2016@gmail.com



1 NATION TAX MARKET

COMMITTED TO TAXPAYER SERVICES

## > জি এস টিগীদমক শেম-শাবীয়ু >>

*জি এস টি জুলাই তাং ১, ২০১৭ দগী চংনরগনি*

### জি এস টিনা অপীকপা লল্লোন–ঈতিক তৌজরিবশিং / পোৎ–চৈ শারিবশিং / রেষ্টুরাশিংদা চাওনা কান্নবা পীরি

লুপা লাক্ষ ২০*গী মখাদা চহিগী ওইনা শেল তাল্লিবা পোৎ–চৈ পুথোক্লিবশিং / সার্ভিস প্রোভাইদরশিং। লল্লোন–ঈতিক তৌরিবশিংনা জি এস টি পীবগী মথৌ তাদে অমসুং রেজিষ্টর তৌবগী তঙাইফদবা লৈতে।

চহিগী ওইনা লুপা লাক্ষ ৭৫#ফাওবা য়ৌনা তাল্লিবশিংনা মখাদা পীরিবা টেক্সকী রেটশিং অসিদগী স্কিম অমা খল্লগা থিবা য়াগনিঃ–




জি এস টি গী শাগদবা রেটশিংগী মওং

| লাল্লোন–ঈতিক তৌরিবশিং–১% | পোৎ–চৈ পুথোক্লিবশিং – ২ % | রেষ্টুরাশিং– ৫ % |
|---|---|---|

- সার্ভিস সেক্টরগী ওইনা, কম্পোজিসন স্কিম অসি সেক্টর অমখক্তদা ফঙগনি– রেষ্টুরাশিং।
- হিদাক মনাগী অমসুং হিদাক মনাগী মহুৎ শিন্নবা পোৎলমশিং পুথোক্লিবা, পান–মসালা অমসুং আইস্ক্রিম অমদি অতৈ কোকোৱা য়াওবা নত্রগা য়াওদবা পোৎলমশিং পুথোক্লিবা চাবা য়াবা আইস ওল্লবা পোৎশিংগীদমক্তদি মদু পুথোক্লিবশিংদি কম্পোজিসন স্কিম অসিগী কান্নবা ফংলোই।
- কম্পোজিসন স্কিম অসিগী কান্নবা লৌনিংবা দিলরশিংনা মখোয়না য়োনখিবা পোৎলমশিংগী থা অহুম খুদিংগী ফংলিবা শেলফম অদু ফাইল তৌবা তাই। মসিদা অকুপ্পা মরোল অমসুং ইনবোইস মথৌ তাদে, সপ্লাইগী বিল অদুদা য়াগনি।
- অপীকপা টেক্স থিরিবা কাংবুংনা মখোয়গী ইনকম টেক্স রিতর্ন অদুদা ঐচ এস এন কোদ হাপ্পগী মথৌ তাদে।
- অদুমওইনমক, পীরিবা খুদোংচাবা অসিগীদমক, টেক্স ক্রেদিটকী ইনপুট লৈরোই নত্রগা মখাতানা চৎনবা য়ারোই।
- ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন তৌবা মতমদা, রিতর্ন, পেমেন্ট, রেফল তৌখিবা অমসুং অতোপ্পা প্রোসেসশিং, কোন্না থিরকপশিং অমসুং টেক্সকী দিক্লিসনশিং খায়দোক্কনি।
- টেক্স থিনি–থীরোই হায়বগী পোৎলুম অদু হন্থগনি।
- জি এস টি চৎনবা মতমদা থবক শুজরিবশিং অদুগী মতেং ওইনবা নোংমগী থবক শুবগী ওইনা তোখায়বা কান্নবা কয়া অমা ফংহনগনি।

* হায়রিবা লিমিট অসি অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর, মেঘালায়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, ত্রিপুরা, সিক্কিম, উত্তরাখন্দ অমসুং হিমাচল প্রদেশকী ওইনদি লুপা লাক্ষ ১০ ওইগনি।

\# অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর, মেঘালায়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, ত্রিপুরা, সিক্কিম অমসুং হিমাচল প্রদেশকী ওইনদি লিমিট অসি লুপা লাক্ষ ৫০ ওইগনি।

davp 15502/13/0059/1718

কম্পোজিসন স্কিমগীদমক, চান্বীদুনা য়েংবীয়ু www.cbec.gov.in

ট্বিট তৌবীরকউ @askGST_GoI দা জি এস টিগা মরী লৈনবা খঙনিংবা ৱাহংশিংগীদমক

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কষ্টমস এন্দ কম্মর্সিয়েল টেক্সেস দিপার্টমেন্টস ওফ ষ্টেটস / য়ুনিয়ন টেরিতোরিশিং
www.cbec.gov.in


Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*